## শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিল্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
মণিপুর শঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৭গী মনুং চন্না পাঙথোক্লিবা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেল হয়েং লোইশিল্লগনি।

ঙসি শুমাঙ লীলা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা নুপী শুমাঙ লীলাগী শক্লাইরবী থোংজু পার্ট-২ পেচুলস্পাক্তা লৈবী নিংঙোম্বম মেম্মা চনুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী থৌমীশিং অমদি আর্টিষ্টশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দদা পাঙথোকপা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেলগী খন্ন-নৈনবা থৌরম পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা অৱাবা ফোঙদোকপা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপা থৌরম অদুদা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমনা হায়খি, শুমাঙ লীলাগীদমক্তা থৱায় য়াওনা চঙশিল্লম্মী শক্লাইরবী নিংঙোম্বম মেম্মনা লৈখিদবসি নুপী শুমাঙ লীলাগী অচৌবা মাঙজবা হায়বদু ওইরে। মহাক্কী মফমদা ইকায় খুম্নবা অমদি হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা অসিনা মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরসনু।

কাউন্সিলগী লাইফটাইম সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তনা হায়খি, নুপী শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্ট অমনা লৈখিদবা হায়বসি শুমাঙ লীলাগী মাঙজবনি।

থা অসিগী ২২ দগী শুমাঙ লীলাগী লূপ ৮না শরুক য়াদুনা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোরকপনি। হয়েং অসিনা শুমাঙ লীলাগী অরোইবা নুমিৎনি। শুমাঙ লীলাগী ওইনা চাউখৎ খোঙথাং খুমাঙ চাউশিন্নবা অমদি খঙদবা কয়াসু খঙনবা নুংতিগী লীলা হৌদ্রিঙৈদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকই অমদি অখঙ-অহৈ, ওজা অমদি শক্লাইরবা কয়াসু য়াওনা মখোয়না তাকপীবা, খঙহল্লকপা অমদি মখোয়না পীরকপা সজেসন কয়াবু লৌশিনবনি। ঙল্লিঙৈদা শান্নরম্বা শুমাঙ লীলাগী ট্রেদিসন অমদি হৌজিক্কী শুমাঙ লীলাগী ট্রেদিসন অসিদসু খন্ন-নৈনবা শুমাঙ লীলা ফেষ্টিবেলগী থৌরমনি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
ককচীং লোকল কাউন্সিল সী পি আইগী ৱাইরি অৱাং ব্রাঞ্চকী মেম্বর নাওরেম য়াইমনা থা অসিগী ১৯দা লৈখিদবদা সী পি আই ককচীং লোকলনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। সী পি আইগী থবক থৌরম খূদিংমক্তা থৌদাং লৌরম্বা নাওরেম য়াইমনা লৈখিদবা অসিদা সী পি আই ককচীং লোকল কাউন্সিলনা থা অসিগী ২৬ তা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

## মোনেটরি এসিষ্টেন্স পীবীয়ু : ভিক্টিমস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
হৈক্রুমখোঙদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৮ দা থোকখিবা মীয়ামগী ঈরাংদা অৱা-অনা মায়োক্লখি-বশিংগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফাইনান্সিএল রিলিফ পীবীনবা চীফ মিনিষ্টরদা আপিল তৌরক্লি। থৌদোক অদুদা গাড়ী কয়া থুগায়খি অমদি মৈ থাখি। থৌদোক্তুনা অমাঙ-অতা থোকখ্রবা ভিক্টিমশিংদা মোনেটরি এসিষ্টেন্ট পীবীনবা নমবিসা ভিলেজগী গেদিওন কামোদাং, নোংমন ভিলেজগী থেমরৈসাং সারিও, আইলেন্দ ভিলেজগী হেনরি কৈশিং, মাইলিয়াং ভিলেজগী এন এস লুইঙম অমসুং খন্বী ভিলেজগী এম এস নিংঙাতৈনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## সী আর পি এফকী পার্সনেল অমা শিরে

গটচিরোলি, নবেম্বর ২৮(এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রগী গটচিরোলি দিষ্ট্রিক্তা নক্সলাইটশিংগা খূৎ থোক্লবদা সী আর পি এফগী জৱান অমা শিরে অমদি অতোপ্পা অনীনা শোক্লে হায়না ঙসি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ধনোরা ভিলেজ মনাক্তা সী আর পি এফ অমসুং মহারাষ্ট্র পুলিসকী অপূনবা টিম অমগা মাওইষ্টশিংগা নোংমৈ কাপ্পখি। থৌদোক অদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা ওপরেসন চথুরিঙৈদা থোকখিবনি।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৪০ রোম চৎপা মতমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুগী মতুংদা নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবদা অমুক হন্না নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক থোকখি।

১১৩-বট্টালিয়নগী সী আর পি এফকী মঞ্জুনাথ জাকানাভর কৌবা কন্সটেবল অমা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুদা শিখি অমদি য়ুনিট অদুমক্কী পার্সনেল অনী শোকখি। কর্নাটাকাগী দরৱাট দিষ্ট্রিক্তগী লাকপা মঞ্জুনাথ জঙ্গল অদুগী মফম অমদা কোম্বিং ওপরেসন চথুরিঙৈদা অহেনবা ফোর্স ওইনা চঙশিনবদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

# লম্ফেল সুপর মার্কেটতা মাও কৈথেল শাগনি হায়রিবসি য়াবা ঙম্লোই : জে এ সী



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
মাওদা অহানবা মণিপুর চেরি ব্লোজম ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অথুবা মতমদা লুপা ক্রোর ১/২ চঙনা লম্ফেল মার্কেট এরিয়াদা মাও মার্কেট শারগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ানিংদে হায়না লম্ফেল সুপর মার্কেট দিভলপমেন্ট জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেল সুপর মার্কেট দিভলপমেন্ট জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী কনভিনর কব্রাবম সুভাশনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা অসুম্না হায়খি, লম্ফেল সুপর মার্কেটতা চহী ৭ হেন্না পোৎফম ফমদুনা লাক্লবা ফুরুপ পূম্নমক্না পূল্লিবা মফম অসিদা মাও খক্তগী ওইবা কৈথেল অমা শাগনি হায়বসি য়ানিংদে হায়দুনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবা চৎলুবনি। এপোইন্টমেন্ট য়াওদে হায়দুনা উনবা ফংলক্ত্রে।

লম্ফেল সুপর মার্কেটতা মাও খক্তগী ওইবা কৈথেল শাবা য়ারোই। কম্যুনিটি খরগী ওইবা অপূনবা কৈথেল অমা ফুরুপ কয়ানা পূল্লগা ফম্বা মপূং ফাবা কৈথেল অমা ওইবা পাম্মী। কুমজা ২০১১গী মার্চ ২৫ দা ও ইবোবীনা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেননা ৱাঙাঙলোয় ওইরিঙৈদা মহাক মশামক্না লম্ফেল সুপর মার্কেটতা ইম্ফাল সীটিগী অকোয়বদা পোৎফম ফল্লিবা ষ্ট্রীট ভেন্দরশিং অসি মফম অসিদা ফমহনখিবনি। ইম্ফাল সীটিবু লূ-নানবা সীটি অমা ওইহনসি হায়না মফম অদুদা কৈথেল ফমহনখিবনি। অৱা-অনা মতম শাংনা খাঙদুনা লাক্লে। চহী অসিগী মে ৩ দা মাহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগা উনবা মতমদা অনৌবা কৈথেল শারগনি হায়না লাউথোকপীরম্বনি। মরম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা মাও কৈথেল শাগনি হায়না ফোঙদোরকপা অসি য়ানিংদে। মফম অসিদা নমদুনা কৈথেল শাজিন্নবা হোৎনরক্লবদি কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিংগা লোয়ননা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইপা-ইপূশিংগী খূভম থুগায়বীগনু : কে আই এল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
মণিপুরগী চহী লিশিং কয়াগী পুৱারী লৈরি। এসিয়াটিক সোভরেন কন্ট্রি ওইরকখিবা য়েলহৌমীশিংনা মশাগী লোল, ময়েক অমসুং লাইনিং-লাইশোল ঙাকপা ঙমদনা লৈখা তাখিবা অমদি কুমজা ১৭০৯ দগী ১৭৪৮ ফাওবা নিংথৌ ওইনা পানখিবা নিংথৌ পামহৈবা মতমদগীনি হায়না কংলৈ ইমা লূপ (কে আই এল)না ফোঙদোরক্লি।

কে আই এলগী সেক্রেটরি এস মেমচা লৈমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসিগী মীরোলনা লায়ওইখ্রবা ইপা-ইপূশিংনা তুংগী মীরোলগীদমক অমত্তা ৱাৎতনা থম্বীরম্বা ইরোল, ইয়েক, লাইনিং-লাইশোল অমদি পোকপদগী শিবা ফাওবগী থৌরম পরেংশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা ফুরুপকী অমদি ইনাৎকী শক্তম ঙাক্না হিংনবা শিবা অমসুং চঙবগী লংদাইদা তুম্বা-চাবা খঙদনা চেন-চোংবদগী লৈহৌমীশিং মরুওইনা মীতৈ খুন্নাইনা মীকপ থোকপা হৌরকপদা ইনাৎপু নুংশিবা শাবশিংগী মরক্তা অনৌবা শান্তদাস কয়া চোংথোরকখিবা অসি মীয়াম্না পারা তন্বীহৌসি।

নিংথৌ পামহৈবগী মতমদা শান্তদাস গোসাইগা লৌতুনরগা ফুরুপ অসিগী অরিবা পুয়া লাইরিকশিং খোমগৎলগা কুমজা ১৭৩২গী ওগষ্ট ৫ দা কংলা উত্রা মমাঙদা পৈরগা মৈ থাদোকখি। পুয়া মৈ থাবা অমদি উমংলাইশিংগী খূভমশিং থুগায়দুনা মাঙহন-তাকহনবা অমদি সনামহি কোলু য়ৈখায়খিবা অসিদা নৎতনা নমদুনা মীয়াম্বু হিন্দু ধর্ম্মগী লাইমিং লৌহনখিবা অদুদগী ঙসি ফাওবা কংলৈচাশিংবু হৌফম- শাৎফম, মপা-মপূ মশক খঙদবা, ইরোল-ইয়েক, লাইনিং-লাইশোল অমদি মনাৎকী চৎনবী লৈতবগী থাক্তা হিংলক্লি। অদুবু মরৈবাক অমসুং মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙম্বা তুংলমচৎকী খঙবা কথোক্লবা মীওইগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা শক্তম ঙাক্না হিংবগী মায়কৈদা খুমাঙ চাউশিল্লকপগী নুংঙাইরবা মতম অসিদা ইনাৎ নুংশিবা শাবা খূরক্কী ঈনা লাই শাবা অনৌবা শান্তদাস গোসাই খরনা মীতৈগী হান্না লৈজরম্বা অরিবা ইপা-ইপূশিংগী খূভম লাইশঙ অমদি মফমদুমক্তা অনৌবা লাইফমলেন ওন্থোক্লবা হোৎনবগী থবক চথুরক্লিবা অসি ফুরুপ অসিগী মীয়াম্বু শীংনবগী থৌওংনি। মীওই খরনা ইম্ফালগী হোদাম লাইরেম্বী, হোদাম লৈরক্কী খূভম থুগায়রগা অনৌবা লাইরেম্বী থমজিনবগী থৌওং অসি লৈকায় অসিগী ক্লব অমদি মীয়াম্না অরিবা খূভমগী শক্তম অদু হঞ্জিন্নবা হোৎনবীয়ু। শান্তদাস গোসাই শাবা মীওই খরনা অয়াবা পীরব্রা হায়না হংলক্লি। থৌদোক অসি লৈবাক ৱাথোক ওইরক্ত্রিঙৈদা অথুবা মতমদা এ সী অসিগী এম এল এনা লৈকায় মীয়ামগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা অথুবদা হোৎনবীয়ু।

কে আই এলনসু ফুরুপকী অমদি ইনাৎকী শক্তম অমসুং লৈহৌমী কন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগা পূন্না খূৎশম্নদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংবু ইকায় খুম্নদ্রবদি হোদাম লৈরক্কী ৱাথোক্না মৈরী ওইরগা লৈবাক ৱাথোক ওইনবা হোৎনবীগনু হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্লি।

# ওল্ড এজ হোমদা তেংবাংখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
পুলিস কন্সটেবল টেন প্লস টুগী মায় পাকখ্রবা অমদি মায় পাকহৌদ্রবা কেন্দিদেটশিংগী লেমহৌবা ফন্দশিং অদুনা ঙসি মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা শেলগী তেংবাং পীখ্রে।

ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল/সিভিল ভাইভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ২০১৫ ফ্রেশ বেটচকী জেনরেল সেক্রেটরি মনিচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হোম অসিগী অহলশিং অসিদা মতেং খজিত্তা ওইরবসু পাংজবনি। ঐখোয়না হিংদুনা তাইবংগী অৱা-নুংঙাইদা শরুক য়াবা ঙমজরিবা অসি ইমা-ইপানা পোকপীরম্বগী মখোয়গী লমন কৈদৌনুংদা শীংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা অহলশিংবু শোল্লে-নারে, শেল থোক্ত্রে হায়দুনা তাথী-তাওইনা তৌবীবা অমদি ইন্থোকপনচিংবা অসি তোল্লসি। মখোয়নসু মচাশিং অসিগী মরুম থুপ্না নুংঙাইনা পূন্সি লেনবা পাল্লিবনি। তাথী-তাওইনা তৌবীবগী চৎনবী অসি মখা চথুরক্লবদি তুংদা লমদম অসি অকিবগী মশক ওইরক্কনি হায়নিংঙাই লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## দিজাষ্টরগী ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ইটানাগরদা লৈবা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স অনীনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা চথুরকপা কম্যুনিটি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

মতম-মতমগী ওইবা নেচরেল দিজাষ্টর ওইরিবা য়ুহা হাবা, ঈশিং ঈচাও অমদি মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে অমদি খূদোংথীবা নংলবা মীওইশিং মতৌ করম্না কনগদগে হায়বগী হীরমদা মীয়াম্বু পাক শন্না ৱাখল তাহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদু লোইশিনবগী থৌরমদা থৌবাল দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল এল নবকিশ্বর, এস দি ও থৌবাল ডো. এম ভেটো, এস দি ও লিলোং কে এস ঐচ উমানন্দ, ১২ বট্টালিয়ন এন দি আর এফকী ইন্সপেক্টর সুনিল কুমার, এ দি এম থৌবাল, এন জি ভুগেন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

কম্যুনিটি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা দি সী থৌবাল এল নবকিশ্বরনা হায়খি, নেচরেল দিজাষ্টর হায়বসি মখল অনী থোক্কনি। ঐখোয়না হান্না লেপথোকপা ঙমদ্রবসু মসি থোক্লকপা মতমদা ঐখোয়না মতৌ করম্না চেকশিন থৌরাং লৌগনি অমদি খূদোংথীবা তারবা মতমদা মতৌ করম্না মী কনগদগে হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদনা খঙদবা য়াদে মরম অদুনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্লিবনি।

থৌরম অদুগী লোইশিল্লকপদা এন দি আর এফকী মীওইশিংনা মী কনবগী দেমোন্সট্রেনি অমসু উৎখি।

# মিস ট্রেদিসনেল ক্বিন কন্টেষ্টকী স্ক্রিনিং য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
ওর্গনাইজিং কম্মিটি মণিপুর ট্রেদিসনেল ফেষ্টিবেলনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা মিস ট্রেদিসনেল ক্বিন কন্টেষ্টকী থা অসিগী ২৯দা স্ক্রিনিং পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ৩ দা পাঙথোক্লগনি। অদুমওইনমক মিস ট্রেদিসনেল ক্বিন কন্টেষ্টতি লাক্লিবা দিসেম্বর ৮ দা অদুমক পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর ট্রেদিসনেল ফেষ্টিবেলগী কনভিনর সাইলেস অঙোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হান্না ফোর্ম লৌখিবা অমদি নৌনা ফোর্ম লৌনিবা কন্টেষ্টেন্টশিংনা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা স্ক্রিনিং তৌগদবা মতমগী মমাঙদা ফোর্ম থাজিল্লক্কদবনি হায়রি।

মণিপুরগী নাৎ অমদি শক্তম কন্নবগী পান্দমদা ব্যুটি কন্টেষ্ট অসি পাঙথোক্কদবনি অমদি মণিপুরগী ফুরপ কয়াদগী শকহেনবীশিং খনগৎলগা কন্টেষ্ট অসি য়াওহন্নবা পান্দম থল্লিবনি। মিস ক্বিনদা শেলগী মনা লুপা ১,০০,০০০; ফার্ষ্ট রন্নরস অপতা লুপা ৭৫,০০০ অমসুং সেকেন্দ রন্নরস অপদা লুপা ৫০,০০০ অমদি অতোপ্পা সব-টাইটল তরেৎ অমসু থল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# মমাঙগী লৈঙাক্না তৌবীরমদ্রবশিং অনৌবা লৈঙাক্না থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু : এম দি এফ এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্না তৌবীরমদ্রবা মাইনোরিটিশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিং অনৌবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মপুং ফানা পায়খৎপীনবা মাইনোরিটি দিভলপমেন্ট ফোরম মণিপুর (এম দি এফ এম)না ফোঙদোরক্লি।

এম দি এফ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি মহমদ ইবোসনানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী শোথনা লৈহৌরিবা ফুরুপ অসি মুস্লিমশিংনি। মাইনোরিটিশিংগী দিভলপমেন্ট ৱার্কশিংগী মপুং ওইবা থবকশিং ওইরিবা মল্টি সেক্টোরেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী এরিয়া অসি মণিপুর শীনবা থুংনা পাঙথোকপা য়ারবসু মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা তৌবীরমদ্রে। নাকল অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট অমদা লুপা ক্রোর ১০ খক্তগী ওইবা মল্টি সেক্টোরেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী ৱার্ক প্রোগ্রামগী সেঙ্কসন লৌনবগী সেন্টরদা থাবগী চৎনবী অসিসু অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা শেমদোকপা ফরে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী অনৌবা পোইন্ট ১৫ য়াওবা প্রোগ্রামগী মনুং চল্লিবা মাদ্রাসা মোদর্নাইজেসনগী ওজাশিংগী ফন্দ, ৱাকফা বোর্দ অমসুং হজ কম্মিটিনচিংবা অমদি মাইনোরিটি অপূনবগী ৱেলফ্যেরশিংগী অহেনবা ফন্দশিং মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফ্যের্স, ন্যু দিল্লিদগী মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনা তানবসু ঙল্লমদ্রে অমসুং এম ও বি সীগী পোর্টফোলিওদি চীফ মিনিষ্টরনা পায়শিন্দুনা মতম লেনখি হায়না মরাল শীরক্লি।

বি জে পি গভর্ণমেন্টকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টরনা এম ও বি সীগী পোর্টফোলিওবু মখোঙ য়ানবা ইচঙ থৌনা লৈবা মাইনোরিটিশিংগী ফন্দশিং তানজনিংবা অমসুং এম ও বি সীবুসু পামজরম্বা কেবিনেট মিনিষ্টর অমদা পোর্টফোলিও পায়হনবীদুনা মমাঙগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা তৌবীরমদ্রবা মাইনোরিটিশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং বি জে পি গভর্ণমেন্ট তৌবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# জাইমেং লেক লৈঙাক্না টুরিষ্ট স্পোট ওইনবা শেমগৎপীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টর, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপী অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্টনা পূন্না শীন্দুনা জাইমেং লেক থিজিল্লুরে।

হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছার্স সেন্টর সগোলবন্দগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপী, এ দি সী/এ দি এম ওইনা লৈরিবা হৈস্নাম বালকৃষ্ণ অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরিবা থিঙুজম ভোগেন হায়রিবা মীওই অহুম অসিগী লিচিং মখাদা মীওই ৪৫না শাবা খূৎপু অমগা থোনলাং অকুৎপা খুলগী ভিলেজ চীফ অমদি খুঞ্জাশিংগা খূৎশম্নরগা বোলেন পাৎ হায়নসু খঙনবা জাইমেং লেকতা থিজিন খোঙচৎ অমা চৎলুরে হায়রি।

পাৎ অসি কৌব্রু চীংশাংগী নাপোম, ইম্ফাল তুরেলগী হৌরকফম মরূদা লৈবা অকোয়বদা ৱাং চাওরবা উপাল কয়ানা মরাং কায়না হৌবা, শুক্লবা উমংনা কোয়শিনবা ফজরবা পাৎ অমনি। থোনলাং অকুৎপা খুলদগী চাউরাক্না কিলোমিটর ৪ রোম চৎলগা সমুদ্র ঈমায়দগী চাউরাক্না ফিট ৭২৬৩ ৱাংবা চীংদোন্দা লৈবা পাৎ অসিবু মায়কৈ মরিদা কোয়শিল্লিবা চীংমায়দগী চেন্থরকপা ঈশিং তুংশিন্দুনা মতম চুপ্পা ঈশিং তুংদুনা লৈবা চাওরাক্না ফুট ১৫০০ রোম শাংবা অমসুং ফুট ৬৫০ রোম পাকপা পাৎনি। পাৎ অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পূক্নিং চিংশিনহন্নীংলি অমদি গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা পাৎ অসিগী অয়াম্বা শরুক্তা ফুমদিনা কনশিন্দুনা লৈরিবা শরুকশিং নীংথিনা কোথোকপীরগা পাৎ অসিগী ঈশিং তুংবা মফম হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্দুনা শেমগৎপীরবদি পাৎ অসিগী পাক চাওবা হেনগৎলক্তুনা অফবা, হেন্না ফজবা, হেন্না নীংথিবা পাৎ অমা ওইহনবা ঙমগনি।

আই টি রোদতগী পাৎ লৈবা মফম অসি গাড়ী চঙবা য়ানবা নীংথিনা শেম্বীরবদি পাৎ অসি লম কোয়বা মীওই কয়াগী পূক্নিং চিংশিনফম ওইদুনা পূক্নিং হুনা নীংথিরবা টুরিষ্ট স্পোট অমা শোয়দনা ওইগনি। থৌরাং অসি অথুবা মতমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পায়খৎপীরবদি লমদমসিগী অমদি পাৎ অসিগী অকোয়বদা নক্না খুন্দা লৈতারিবা মীওই কয়াগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়রি।

পাৎ অসিনা মশক-মচু থোকপা লম কোয়বশিংনা পাম্নবা মফম অমা ওইরকপা তারবদি লম কোয়বা লাকপা তম্মী কয়াগা চীংগী লমদা খুন্দারিবা চীংমী কয়াগা নুংশি-চান্নবা লোন্দিন্নরক্তুনা চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা মরূপ-মপাং ওইবগী ৱাখল হেন্না পোকহন্দুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমসু শোয়দনা ওইগনি হায়রি।

# ফ্রী আই স্ক্রিনিং, কেটরেক্ট সর্জরি কেম্প পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
চিলদ্রেন রেদিও লিসনিং ক্লব (সী আর এল সী) সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৯ অমসুং ১০ অমদি শীজ আই ক্যের ফাউন্দেসন অনীনা পূন্না খূৎশম্ননা নোংমগী ওইবা ফ্রী আই স্ক্রিনিং কেম্প অমসুং কেটরেক্ট সর্জরি কেম্প ঙসি চিলদ্রেন রেদিও লিসনিং ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা সৌবাম নবচন্দ্রনা হায়খি, লৈকায় অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা হোস্পিটাল চৎপগী খূদোংচাদবনচিংবা কয়া অদু য়েংলগা ঙসিগী কেম্প অদু পাঙথোকপনি।

কেম্প অসিদা শীজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগী ডোক্টর অমা, নর্স অমদি টেক্নিসিয়ন য়াওবা পূন্না মীওই ৯ শরুক য়ারি। হীদাকসু অনাবশিংদা লেম্না পীরি। ঙসি অয়ূক পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। মীওই ২০০ রোম লায়েংগদ্রা হায়না খল্লি। মরুওইনা ঊৌদোং, দাইবেটিক রেটিনোপেঠি, গ্লুকোমা, অঙাংগী মীৎ শোকপা, কোর্নিয়া অমসুং টেরিজিয়ম, কঞ্জংটিবাইটিস অমদি অতোপ্পা মীৎকী লায়না কয়া লায়েংখি হায়রি।

# মীয়ামগী থৌগল লেপ্তুনা তৌখিগনি : এল জে পি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮(ঐচ এন এস):
লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) লিংখৎখিবা চহী ১৮ মপুং ফারকপগী থৌরম পাটনাদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী লাকপা পার্টিগী ৱার্কর কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী স্পোক্সপার্সন এন ইবোহলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০০০গী ওক্টোবর ২৮ দা রাম বিলাস পাস্বান য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী লিচিং মখাদা লিংখৎখিবা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি)না পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা ইন্দিয়াগী লৈমায়দা শাফোঙলকখিবা চহী ১৮ মপুং ফারকপগী থৌরম পার্টি অসিগী হৌরকফম ওইরিবা বিহারগী কোনুং পাটনাদা পাঙথোক্লি। মণিপুরগীসু পার্টি অসিগী হেদ ওফিস ওইরিবা বাবুপারাদা ৱার্করশিংনা পাঙথোকখি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা শকখঙলবা লোক জনশক্তি পার্টিগী মরুওইবা পান্দমদি মালেম অসিদা লৈরিবা হন্থবা থাক্কী কাঙলূপ-ফুরুপ কয়াবু পার্টি অসিনা অঙম্বা থাক্তা থম্মোয় শেংনা তেংবাংদুনা চাউখৎপগী মঙাল ফংহন্দুনা চাউখৎলক্লিবা ইন্দিয়াগী চাউখৎ লমজেলদা য়াওবা ফংহনবা হায়বা পান্দম অসিদা নৎতনা তুশোন-মানশোংননা হিংলিবা নুপী খুন্নাইবু অহেনবা থৌবা অমদি ৱাখল-লৌশিং লৈহন্দুনা নুপা-নুপী থোং মান্ননা পাঙ্গল শাগৎতুনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেমদুনা চাউখৎপগী লমজেলদা খুমাঙ চাউশিনবা হায়বসি এল জে পিগী অচেৎপা পান্দমনি।

মসিগী মথক্তা পার্টি অসিনা মপুং ফাবা পাঙ্গল শাগৎতুনা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না পাল্লিবা অফবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবগীদমক মতম চুপ্পদা এল জে পিনা হোৎনদুনা লাক্লি। পান্দম অসি ফংদ্রিবা ফাওবা লেপ্তুনা হোৎনবা হায়বসিনা পার্টি অসিগী থৌদাং ওইরি। অসুম্না পার্টি অসিনা হোৎনজবগী মমলনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা য়াওদুনা রাম বিলাস পাস্বাননা মীয়ামগী থৌগল মপুং ফানা তৌরি।

মণিপুরদসু পার্টি অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মীহুৎ মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মতিং লৈনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরি। অসুম্না পার্টি অসিগী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ফংহন্ননবগীদমক থৌদাং লৈরবা মীয়ামগী মফমদা এল জে পিনা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তসু মীয়াম্না শৌগৎলক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্মী হায়রি।

# পুঙয়াম য়ৈবা অমসুং মুখবোল উৎখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮: শ্রীশ্রী গোবিন্দজী নট সংকৃতর্ন ৱাঙ্খৈগী পেলেস কম্পাউন্দগী মপোককুমওনগা লোয়ননা পুঙয়াম য়ৈবা অমসুং মুখবোলগী প্রদক্সন উৎপগী থৌরম নোংমৈবুং নাম্বম চুথেক্তা লৈবা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট, আর কে বিদুর নেসনল বেষ্ট ফিল্ম ক্রিটিক এৱার্দনা প্রসিদেন্ট, ৱাঙ্খৈগী এক্স কাউন্সিল্লর ক্ষেত্রিময়ুম উমেশ অমসুং আর কে ইতোচা, এসোসিএট প্রোফেসর ইম্ফাল কোলেজনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, নট সংকৃতর্ন হায়বসিদা চৎন-লোনচৎ কয়া য়াওরি। মীওইবগী পূন্সিদা পীথোরকপা অমসু লৈ। লোয়ননা থকশি-খাশি অমদি থৌগল্লোনশিং নট সংকৃতর্নগী মনুং চন্না লৈ।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা আর কে বিদুরনা হায়খি, সংকৃতর্ন হায়বসিদা থিজিন্দুনা ইনখৎলক্লিব-শিংনসু হোৎনবা চঙই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা ক্ষেত্রিময়ুম উমেশনা হায়খি, সংকৃতর্ন হায়বসি লায়না লৌবা য়াদে। সংকৃতর্ন শকপশিংনা ফল্লিবা মফমশিং অসিদা শেল থাবগী তোঙানবা মশক অমা লৈজরিবনি। মসি হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা খঙলমগনি থাজদে। নহা ওইরিবশিংদা অসিগুম্বা কয়া অসি খঙহনবা অমদি তন্বীবা চঙই। তন্বীবা হায়বসি য়াওদ্রবদি খঙবা ঙমদে। সংকৃতর্নগী ফজখ্রবা চৎন-লোনচৎ অসি খঙনবা ইনখৎলক্লিবশিংনা শরুক য়ারকপা অসিসু নুংঙাইবা পোকই।

থৌরম অদুগী আর কে ইতোচানা হায়খি, পুঙ হায়বসি মীওইবগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা ওইনা লাক্লি। পুঙ য়োকখৎনবা হোৎনরকপা হায়বসিসু নুংঙাই। নহা ওইরিবশিংনসু পুঙ য়োকখৎপদা থৌদাং লৌবীয়ু। লোইনাইদবা অমা ওইনা লৈরক্লবা পুঙ হায়বা অসি মাঙদনবা হোৎনসি।

থৌরমগী অরোইবদা শ্রী শ্রী গোবিন্দজী নট সংকৃতর্ননা পুথোকপা পুঙয়াম য়ৈবা অমসুং মুখবোল মীয়ামদা খূদোল তমখি।